

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, MONDAY, APRIL 16, 2018 **PAGE 7**


*চাইনিজ গ্রান্দ প্রি ফোরমুলা ৱান কার লমজেলদা মার্সিদিজ কার কম্পেনিগী ড্রাইভর ভাল্টেরি ভোটাসতগী হেন্দুনা অহানবা পোজিসন ফংবা ঙমখ্রবা রেদ বুল কম্পেনিগী দেনিয়েল রিকার্দো*

*২১শুবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা ইন্দিয়াগী এঠলিটশিংগী মনুংদা টেবল টেন্নিস দিসিপ্লিনদা গোল্ড ২, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ অমমম ফংদুনা এঠলিট অমনা খ্বাইদগী মেডল য়াম্না ফংবা ওইখ্রবী মনিকা বত্র*

# ২০১৮ কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী লোইশিনবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেডল ১, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ ফংলগা লৈবাক অসিগী পুৱারীদা পুন্না মেডল ৫০০ ফংবা ঙমদুনা টিম চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং রন্নর্স অপ ইংলেন্দগী মতুংদা অহুমশুবা তাখ্রে

*গোল্ড কোষ্ট, এপ্রিল ১৫ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা চথরকপা ২১শুবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী ঙসি ১১নিশুবা অমদি অরোইবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী এঠলিটশিংনা গোল্ড মেডল ১, সিলভর ৪ অমদি ব্রোঞ্জ ৩ হাপচিল্লগা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী পুৱারীদা ৫০০শুবা মেডল অদু ফংবা ঙম্বগা লোয়ননা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়া অমদি ইংলেন্দগী মতুংদা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।

ঙসি গেমস অসিগী অরোইবা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী বেদমিন্টনগী সিঙ্গলসকী লম্বাদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱালনা গোল্ড মেডল মেটচকী শান্নবদা সাইনা নেহৱালনা সিন্ধুবু য়াম্না এটেক্কিং ওইবা মওংদা শান্নবা ঙমদুনা ২১–১৮, ২৩–২১ দা থোইদুনা গোল্ড লৌরগা সিন্ধুনা সিলভর লৌখিবনি।



*অরোইবা নুমিৎতা বেদমিন্টন সিঙ্গলসকী গোল্ড ফংখিবী ইন্দিয়াগী সাইনা (ময়ায়), সিলভর ফংখিবী সিন্ধু (ওই) অমসুং ব্রোঞ্জ ফংখিবী গিলমোর*

পনবা য়াবদি পি ভি সিন্ধু গেমস অসিগী মাঙওইননা অশোকপা অমা লৈবদগী টিম ইভেন্টতা শরুক য়াখিদবনি। অদুবু সাইনা নেহৱালনা টিম অমসুং সিঙ্গলসকী ইভেন্টতা শরুক য়াদুনা ফাইনেল য়ৌরক্লবা মতুং ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা মঙোন্দগী থাক হেন্না ৱাংলিবা সিন্ধুবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা অকনবা লম্বা তৌরগা থোইদুনা গোল্ড লৌরগা সিন্ধুনা সিলভর মেডল ফংহৌবনি।



*নুপীগী দবলসকী স্কৱাসতা সিলভর ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী জোস্না চিনাপ্পা অমদি দিপিকা পালিকল*

দিসিপ্লিন অসিমক্কী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা গেমস অসিগী মনুংদা নুপাগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান নৌনা ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থ মালেসিয়াগী লি চোং ৱৈগা লম্বা তৌনবদা অহানবা গেম ২১–১৯ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গেমদা মমাঙদা মালেমগী মকোক থোংবা শান্নরোই অমা ওইবদা নত্তনা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অসিগী ২০১৪ গ্লাসগো গেমসতা চেম্পিয়ন ওইখিবা লি চোং ৱৈনা ২১–১৪, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীদুনা গেমস অসিগী নুপাগী বেদমিন্টনগী সিঙ্গলসকী গোল্ড মেডল অদু লৌবা ঙমখি।

গেমস অসিগী টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়ানা গোল্ড লৌখিবা মেটচ অদুদা সিকান্থনা মালেসিয়াগী লি চোং ৱৈবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীখিবনি। মদুগী লম্মন লি চোং ৱৈনা শিংবা ঙমখি।

স্কৱাস ইভেন্টতা নুপীগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ফাইনেল য়ৌরকখিবা ইন্দিয়াগী দিপিকা পালিকল কার্থিক অমসুং জোস্না চিনাপ্পানা ন্যু জিলেন্দগী পেয়র জোলি কিং অমসুং অমান্দা লান্দর্স মর্ফিগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না নক্লবা মওংদা মায়থিহৌবদগী সিলভর ফংহৌবনি।

পনবা য়াই গ্লাসগো ২০১৪ কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী নুপীগী দবলসকী চেম্পিয়ন পালিকল অমসুং চিনাপ্পা ঙসি শান্নখিবা গোল্ড কোষ্ট গেমস অদুগী ফাইনেলদা ন্যু জিলেন্দগী জোইল কিং অমসুং অমান্দা লেন্দর্সকা য়াম্না নক্না শান্নবা ঙল্লবসু অহানবা গেম ৯–১১ দা মায়থিখি। মদুগী মতুংদা অনীশুবা গেমদা ৮–১১ দা মায়থিখিবদগী সিলভর মেডল ফংহৌবনি।

ঙসি ২১শুবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অসিগী গোল্ড মেডল ফংনবা লম্বা তৌনখিবা ইভেন্ট অমা ওইখিবা নুপাগী বেদমিন্টনগী দবলসতা ইন্দিয়াগী সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথি ইংলেন্দগী পেয়র মার্কস ইলিস অমসুং খৃষ্ট লেঙ্গ্রিসকী মখূত্তা ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিদুনা সিলভর মেডল ফংহৌবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা গেমদা ইংলেন্দগ পেয়র অদুনা ঙল্লিঙৈদগী ফজবা হেন্দুনা পোইন্ট মাঙজিল থাবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী রানকিরেদ্দি অমসুং সেথিনা পোইন্ট ১৩ খক য়ৌরকপদা ইংলেন্দগী এলিস অমসুং লেঙ্গ্রিসনা পোইন্ট ২১ য়ৌখিবদগী গেম অমা মখোয়না হেন্দুনা চংখি।

অনীশুবা গেমগী অহৌবা শরুক্তগী ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা পোইন্ট শোখরম্বদগী তানখৎলক্লবসু ইংলেন্দগী পেয়র মার্কস এলিস অমসুং খৃষ্ট লাঙ্গ্রিসকী ফজবা মশান্নদা ১৬–২১ দা মায়থিদুনা সিলভর মেডল ফংহৌবনি।

কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অসিগী টেবল টেন্নিস দিসিপ্লিনদা নুপাগী সিঙ্গলসতা ব্রোঞ্জ মেডলগী মেটচ অমসুং মিক্স দবলসকী মেটচতসু ব্রোঞ্জ মেডলগী লম্বাদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং শরুক য়াখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী হৌখিবা চহী কয়াদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা হৌজিক–হৌজিক ৱার্ল্ড নম্বর ৪৮ তা লৈরিবা ইন্দিয়াগী অসান্টা সরাথ কমালনা ইংলন্দগী শান্নরোই সামুএল ৱাকরগা লম্বা তৌনখি।

মশাগী চহী ৩৫শুরবা ইন্দিয়াগী সরাথ কমালনা নুপাগী সিঙ্গলসকী ব্রোঞ্জ মেডলগী মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদু ১১–৭ দা থোইখি।

অনীশুবা গেম অদুদা ইংলেন্দগী শান্নরোই সামুএল ৱাকরনা অকনবা লম্বা পীরকপদগী পোইন্ট মান্নদুনা মখা তারকপনি। অদুবু পোইন্ট ৯–৯ ফাওবা মান্নদুনা লৈরম্বদগী সরাথ কমালনা থংনবা পোইন্ট ২ লৌবা ঙম্বদগী ১১–৯ দা থোইদুনা গেম ৭ কী মেটচ অদুদা গেম ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

ইংলেন্দগী সামুএল ৱাকরনা অহুমশুবা গেম অদু মহাক্কী মায়কৈদগী ফজবা সোট কয়া অমদি দিফেন্স ফজখিবদগী ১১–৯ দা থোইদুনা ১–২ দা ব্রোঞ্জ মেডলগী মেটচ অদু লৈখি।

মরিশুবা গেমদা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা এক্সরিয়েন্স লৈরবা (২০০৬– গোল্ড, ২০১০–ব্রোঞ্জ) ইন্দিয়াগী সরাথ কমালনা ৪শুবা গেম অদু য়াম্না কোম্না ১১–৬ তা ৱাকরবু থোইদুনা গেম ৩–১ দা মেটচ অদু মাঙজিল থাখি।

৫শুবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী সরাথ কমালগী মায়োক্তা ইংলেন্দগী সামুএল ৱাকরনা অহেনবা প্রেসর পীদুনা লাকশিনবা ঙম্নরক্তবদগী পোইন্ট মান্নদুনা লাকখি। পোইন্ট ১০–১০ মান্নরকপদগী মখা তাবা পোইন্ট ২ কমালনা লৌবা ঙমদুনা ১২–১০ দা থোইরগা নুপাগী টেবল টেন্নিসকী ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

ইভেন্ট অদুগী মিক্স দবলসকী ব্রোঞ্জ মেডলগী মেটচতা ইন্দিয়াগী পেয়র অনীগী লম্বাদা নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইখিবী মনিকা বত্র অমসুং সাথিয়ান গনসেকরননা সরাথ কমাল অমসুং মোমা দাসকা লম্বা তৌনখিবনি।

মেটচ অদুদা মনিকা অমসুং সাথিয়াননা ইৱা ৱাদনা গোল্ড কোষ্ট সিটিদা লৈবা ওজেনফোর্দ ষ্টদিওস সেন্টরদা শান্নখিবা ব্রোঞ্জ মেডলগী মেটচ অদুদা অহানবা গেম মনিকা অমসুং সাথিয়াননা ১১–৬ তা থোইখি।

অনীশুবা গেম অদুসু মনিকা অমসুং সাথিয়াননা ফজবা ঙমখিবদগী সরাথ কমাল অমসুং মোমা দাসপু য়াম্না কোম্না ১১–২ দা থোইদুনা গেম ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা গেমদা মনিকা অমসুং সাথিয়াননা ১১–৪ দা থোইরগা গেম ৩–০ দা হেন্দুনা টেবল টেন্নিসকী মিক্স দবলসকী ব্রোঞ্জ অদু মনিকা বত্র অমসুং সাথিয়ান গনসেকরননা লৌখি।



*নুপাগী দবলসকী বেদমিন্টনদা সিলভর ফংহৌরবা ইন্দিয়াগী রানকিরেদ্দি অমসুং সেথি*



*নুপাগী বেদমিন্টন সিঙ্গলসকী সিলভর ফংহৌরবা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থ*

**Commonwealth Games 2018 Medal Tally**

| Rank | Country | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Australia | 80 | 59 | 59 | 198 |
| 2 | England | 45 | 45 | 46 | 136 |
| 3 | India | 26 | 20 | 20 | 66 |
| 4 | Canada | 15 | 40 | 27 | 82 |
| 5 | New Zealand | 15 | 16 | 15 | 46 |
| 6 | South Africa | 13 | 11 | 13 | 37 |
| 7 | Wales | 10 | 12 | 14 | 36 |
| 8 | Scotland | 9 | 13 | 22 | 44 |
| 9 | Nigeria | 9 | 9 | 6 | 24 |
| 10 | Cyprus | 8 | 1 | 5 | 14 |
| 11 | Jamaica | 7 | 9 | 11 | 27 |
| 12 | Malaysia | 7 | 5 | 12 | 24 |
| 13 | Singapore | 5 | 2 | 2 | 9 |
| 14 | Kenya | 4 | 7 | 6 | 17 |
| 15 | Uganda | 3 | 1 | 2 | 6 |
| 16 | Botswana | 3 | 1 | 1 | 5 |
| 17 | Samoa | 2 | 3 | 0 | 5 |
| 18 | Trinidad and Tobago | 2 | 1 | 0 | 3 |
| 19 | Namibia | 2 | 0 | 0 | 2 |
| 20 | Northern Ireland | 1 | 7 | 4 | 12 |
| 21 | The Bahamas | 1 | 3 | 0 | 4 |
| 22 | Papua New Guinea | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 23 | Fiji | 1 | 1 | 2 | 4 |
| 24 | Pakistan | 1 | 0 | 4 | 5 |
| 25 | Grenada | 1 | 0 | 1 | 2 |
| 26 | Bermuda | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 26 | Guyana | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 26 | British Virgin Is. | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 26 | Saint Lucia | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 30 | Bangladesh | 0 | 2 | 0 | 2 |
| 31 | Sri Lanka | 0 | 1 | 5 | 6 |
| 32 | Cameroon | 0 | 1 | 2 | 3 |
| 33 | Dominica | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 34 | Isle of Man | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 34 | Mauritius | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 34 | Nauru | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 37 | Malta | 0 | 0 | 2 | 2 |
| 37 | Vanuatu | 0 | 0 | 2 | 2 |
| 39 | Cook Islands | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 39 | Ghana | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 39 | Norfolk Island | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 39 | Seychelles | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 39 | Solomon Islands | 0 | 0 | 1 | 1 |

# ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রিনা টিমমেট রামকুমার রামানাথনবু ফাইনেলদা মায়থিবা পীদুনা চাইনিজ তাইপৈ ওপন চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে

*টাইপৈ, এপ্রিল ১৫ঃ*

য়ুএস দোলর ১৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা চাইনিজ টাইপৈ ওপন চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই য়ুকি ভাম্ব্রি অমসুং রামকুমার রামানাথন লম্বা তৌনবদা য়ুকি ভাম্ব্রিনা ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রিনা কুমজা ২০১৮ কী সিজনদা ঙসি চাইনিজ তাইপৈ চেলেঞ্জর ট্রোফিগী টাইটল লৌখিবা অদুনা মহাক্কী অহানবা টাইটল ওইরিবনি।

ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদুদা য়ুকি ভাম্ব্রিনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই রামকুমার রামানথনগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট অদুদা রামকুমারগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা খুদোংচাবা ফংবা হেনখি।

শান্নরোই অনীনা ফাইনেল মেটচ অদুদা গেম ৯ মায়োক্লবদা ভাম্ব্রিনা ফংখিবা ব্রেক অদুনা খুদোংচাবা লৈখিবা অমদি মহাক্কী লম্বা রামকুমার রামানথননা সেট অদুদা খরা শোথখিবদগী ৬–৩ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদুদা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা চংখি।

নীংশিংবা য়াই ঙসি চাইনিজ তাইপৈগী সিটি তাইপৈদা শান্নবা য়ুএস দোলর ১৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা নুপাগী চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচ লম্বা তৌনখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই য়ুকি ভাম্ব্রি অমসুং রামকুমার রামানাথনন হৌখিবা চয়োলদা চাইনাগা ইন্দিয়ানা থেংনখিবা দেবিস কপ টাই অদুদা মায় পাকখিবা ইন্দিয়াগী টিমগী শান্নরোই ঙাক্তনি।



*টিমমেট রামকুমারবু থোইদুনা চাইনিজ তাইপৈ চেলেঞ্জর ট্রোফি ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রি*

য়ুকি ভাম্ব্রি হায়রিবা দেবিস কপ অদুদা শোকপদগী শরুক য়াবা ঙমখিদবনি। ঙসি মহাক্না রামকুমারবু অহানবা সেট অদু থোইরগা অনীশুবা সেটতা রামকুমারগী সার্ভিস গেম অমা য়াম্না মরু ওইবা তাঙ্কক্তা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইরগা চাইনিজ তাইপৈ চেলেঞ্জর ট্রোফি অদু লৌখিবনি।

টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা য়ুকি ভাম্ব্রি মালেমগী নুপাগী টেন্নিস শান্নরোইশিংগী ওইবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ১০০ গী মনুং চনবা ঙমখি।

# ভেলেন্সিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা বার্সেলোনা স্পেনগী লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটলগী লম্বেল নকশিনখ্রে, ইংলেন্দগী ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং লিভরপুল মায় পাকখ্রে

*বার্সেলোনা। লন্দন, এপ্রিল ১৫ঃ*

য়ুরোপকী ফুটবোল লৈবাকশিংগী তোঙান–তোঙানবা ক্লবশিংনা শান্নবা লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা স্পেনগী খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরিবা লা লীগাদা বার্সেলোনানা ভেলেন্সিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা টাইটল লৌবগী লম্বেল নকশিনখ্রে। ইংলেন্দদা পাঙথোকপা প্রেমিয়র লীগতা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মখোয়গী মেটচ মায় পাক্তুনা মখোয়সু টাইটল ফংবগী আশা থমখ্রে। লীগ অসিগী লিভরপুল ক্লবসু মায় পাক্তুনা মকোক থোংবগী লমজেল অদুদা কন্না চেনখৎলক্লি।



*লা লীগাগী টাইটলগী লম্বেল নকশিনখ্রবা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চল্লবা মতুংদা হরাওবা ফোঙদোকপা*

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা মকোক থোংবা টিম অমা ওইরিবা বার্সেলোনানা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরিবা ভেলেন্সিয়াগা শান্নখিবা মেটচতা অকনবা লম্বা তৌনরবা মতুং পাঞ্জল ২–১ দামায় পাকখি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল বার্সেলোনাগী লুই স্বারেজনা ১৫শুবা মিনটতা চল্লগা মেটচকী অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মিনট ৬ শুরকপদা বার্সেলোনাগী অতোপ্পা শান্নরোই সামুএল উমটিটিনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ভেলেন্সিয়াবু ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

বার্সেলোনাগী লম্বা ওইখিবা ভেলেন্সিয়াগী টিম লা লীগাদা মেটচ ৩১শুবা শান্নবদা পোইন্ট ৬৫ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। টিম অদুগী মায়কৈদগী বার্সেলোনাগা শান্নবা মেটচ অদুদা শোথখিবা পাঞ্জল ২ হন্দোক্লবা হোৎনবদা অনীশুবা হাল্ফকী পুংখায় অমরোম হেন্না চঙখি।

মখোয়গী এটেক অমদা পেনাল্টি ফংদুনা টিম অদুগী দেনিয়েল পারেজোনা ৮৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চল্লগা ১–২ দা শোথদুনা লৈখি। লেমহৌবা মতম খরা অদুদা মখাতাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী বার্সেলোনানা মায় পাক্তুনা মেটচ ৩২শান্নবদা মেটচ অমফাওবা মায়থিদনা ২৫ মায় পায় পাক্লগা ৭ দ্রো চত্তুনা লীগ অদুগী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা এটলেটিকো মাদ্রিদতগী পোইন্ট ১৪ হেন্দুনা লৈবদগী টাইটলগী লম্বেল নকশিল্লকখিবনি।

লন্দনদা শান্নবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ৩৩শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা টোটেনহাম হোটস্পরবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিদা পোইন্ট ৮৭ ফংলগা চেম্পিয়ন ওইবগী লম্বেল নকশিনবা ঙল্লি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী গেব্রিয়েল জিজসনা ২২শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনখি। মহাক্কী মতেং চাউনা পাঙলদুনা টিম অদুনা চথখিবা এটেক অমদা ফংখিবা পেনাল্টি অদু টিমমেট ইকে জেন্দোগাননা চন্দুনা ২–০ দা হেনখি।

অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট ৩ দা ঙাইরবা মতমদা টোটেহাম হোটস্পরগী মায়কৈদগী খৃষ্টিয়ান ইরিকসননা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লগা হাল্ফ অদু সিটিনা হোটস্পরবু ২–১ দা হেন্দুনা চংখি।

সিটিগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাল্ফকী ময়ায় চনশিল্লকপদা রাহিম ষ্টর্লিংনা ৭২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হাপচিল্লগা হোটস্পরবু মখোয়না ৩–১ দা থোইদুনা টেবলগী মকোক ওইবা ঙল্লি।

লীগ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখিবা লিভরপুলনা ১১শুবা পোজিসনদা লৈখিবা এএফসি বোর্নমাউটপু ৩–০ দা থোইদুনা পোইন্ট ৭০ ফংলি।